# জর্ম্মনগী য়ুরোপা পার্ক মৈ চাকখ্রে, মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে



বর্লিন, মে ২৮ (এজেন্সী)ঃ

জর্ম্মনগী খ্বাইদগী চাউবা ইমুজমেন্ট পার্ক-য়ুরোপা পার্কতা অকিবা ফংনা মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখ্রে। ফীভম অদু য়েংলগা ওথোরিটিনা অকোয়বদা লৈবা মীওই লিশিং কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে।

তমথিবা মওংদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা মীচম অমত্তা অশোক অপন নংখিদে। অদুম ওইনমক মৈ কনবা কাঙবুগী মীওই তরেৎতি অশোক অপন নংখ্রে। জর্ম্মনগী খা নোংচুপথংবা শরুক্তা লৈবা রষ্ট টাউনদা লৈবা য়ুরোপা পার্কতা চাক্লিবা মৈ অদু মুত্থৎনবা হোৎনবদা ফায়র ফাইটরশিং অদু অশোক অপন নংখিবনি। মৈ অদু থাংজ নুমীৎকী নুমীদাংৱাইরমদা পার্ক অদুগী পোৎ পৈফম কা অমদগী হৌরকখিবনি। মৈ অদুনা মথং মথং শনে দারক্তুনা পাইরেক্স ওফ বটাভিয়া হায়না খঙনবা শরুকসু কা হেন্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। মৈ অদু নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ুক্তা ফায়র ফাইটর ২৫০ শীজিন্নদুনা মুত্থৎপা ঙমখি।

ওফম্নবর্গ পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা, মৈ কন্ননবা হোৎনবদা শোকখিবা মীওইশিং অদু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। কা হেন্না শোকপা ওইদবনা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

পার্ক অদুগী শরুক খরদি ঙসি অমুক হন্না হাংদোকখ্রে। অদুম ওইনমক পার্ক অদুদা দটচ অমসুং স্কানদিনভিয়ান থিম এরিয়াদি কা হেন্না মাঙ-তাকখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা মফমশিংদি হৌজিকসু থোঙ লোন্দুনা লৈরি হায়রি।

য়ুরোপা পার্ককী চীফ এগজিক্যুটিব মাইকেল মেকনা ত্বিটরদা ফোঙদোরক-কিবদা, পার্ক মৈ চাকখিবা অদু খ্বাইদগী থম্মোয় শোকপা নুমীৎ অমনি। ইমার্জেন্সিস সার্ভিসনা মতম চানা থবক পায়খৎলকখিবগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

খ্বাইদগী হেন্না লাইবক ফবা অমদি পার্ক অদুবু য়েংবা লাকপা মীওইশিং অশোক অপন নংখিদবা অদুনি হায়রি।

দটচ অমসুং স্কানদিনভিয়ানগী শরুক অদুদা কা হেন্না তমথিবা মওংদা মৈ ৱাইরক্তুনা চাকখ্রে। মফম অদুদগী অমুবা মৈখু কয়া কারকপা মীয়াম্না উনখি। ফায়র ফাইটরশিংনা মতম চানা চঙশিল্লক্তুনা মৈ মুত্থৎপা ঙমখিবা অদু লাইবক ফবা অমনি। কা হেন্না অমাঙ অতা থোকপা য়াবা ফীভমদগী নাম্থোকহৌরে। অদুম ওইনমক মাঙ-তাকখ্রবশিং অদু শেমগৎ শাগৎপদা মতম খরদি চঙলগনি। মদুনা মরম ওইরগা শরুক অদু হাংবা ঙম্লোইদৌরি।

মৈ চাকপা হৌরকপদা পার্ক অদুদা লৈরম্বা মীওই লিশিং কয়া অশোয় অঙাম য়াওদনা চেম্থোকপা নংহৌখি। লোয়ননা অকোয়বা মফমশিংদা লৈবা মীওই কয়াসু শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখি। মৈ অদু করম তৌনা হৌরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদে। অদুম ওইনমক পার্ক অদুগী পোৎ পৈফম কা অমদগী হৌরকখিবনি হায়বদি খঙবা ঙম্লে। মৈ অদু অমুক হন্না হৌরক্তনবা হৌজিকসু ফায়র ফাইটর চা কয়া মফম অদুদা মীকুপ নাহুম শিংনা মথৌ তৌরি।

করিগুম্বা অমুক হন্না মৈ চাকখৎলকপা থোক্লবদি কা হেন্না খুদোংথিবা য়াবা ফীভম লৈবনা চেকশিন থৌরাং অদু লৌখৎপনি হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়াদা অফবা মচাক কয়া লৈ শেল-থুমগী ফীভম ফবা লৈবাক ওইরকখিগনি





ৱাশিংতন, মে ২৮ (এজেন্সী)ঃ

নোর্থ কোরিয়াদা অফবা মচাক কয়া লৈ। নোংমদি শোয়দনা খ্বাইদগী ফবা শেল-থুমগী ফীভম লৈবা লৈবাক অমা ওইরকখিগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমীৎতা য়ু এসকী ওফিসলশিং নোর্থ কোরিয়াদা থুংখিবা অমসুং ঙমখৈ পরিংদা লৈবা খুঙ্গং পানমু নজোংদা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিং উনখ্রবা মতুং য়ু এস প্রসিদেন্টনা ৱাফম অদু ফোঙদোরকখিবনি।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মীহুৎ কাঙবু অমা নোর্থ কোরিয়াদা থুংখ্রে। মদু কিম জোং উন অমসুং মহাক্কা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা সম্মিটি অদুগী থৌরাং তৌবা চৎখিবনি। তশেংনা থাজবা লৈ। মদুদি নোর্থ কোরিয়া মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা শেল-থুমগী ফীভম ফবা লৈবাক অমা নোংমদি শোয়দনা ওইরকখিগনি। কিম জোং উননসু মহাক্না ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদুদা য়ানিংলমগনি। অদুম্মক শোয়দনা ওইরক্কনি থাজে হায়রি।

য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় হিথর নাওইরটনা হায়, য়ু এসকী দেলিগেসন টিম অমা নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসলশিংগা উননবা খোঙশানখ্রে। মখোয়না হৌজিক নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসলশিংগা অৱাং অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা লৈবা দি মিলিটরাইজ জোনদা মীফম পাঙথোকখি। মমাঙ চয়োলদা দোনাল্ড ত্রম্পনা সিঙ্গাপুর সম্মিট তোক্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখি। অদুম ওইনমক অথুবা মতমদা মীফম অদু পাউথোক্লবা য়াই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শাননবা হোৎনবগী থৌশিল অদুদা য়ু এসনা অচুম্বা মায়কৈদা চঙশিল্লি হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা হ্বাইট হাউসতা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসকী টিম অদু নোর্থ কোরিয়াদা থুংখ্রে। কিম জোং উনগা উনগদবা অদুগীদমক মাঙজৌননা শেম-শাবগী মীফম পাঙথোক্লি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি ফাওবদি অফবা মায়কৈরোমদা চঙশিল্লি। সিঙ্গাপুরদা মথং থাগী ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুদা য়ু এসনা মীৎয়েং থল্লি। মীফমগী মতম হোংদোকপা লৈররোই। মরম অদুনা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বসু য়েংবা তাই হায়খি।

দোনাল্ড ত্রম্পকা উনগদৌরিবা অদু চহী কয়াগী মতুংদা নকশিন্নবা য়াবগী শিংথানিংঙাই ওইরবা খুদোংচাবা অমনি। সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইননা হায়, নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবগা মহাক্কা নৌনা উনখিবা অদুদা লুচিংবা অদুনা কিম জোং উনগী মফমদা ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবনি। কিমনসু লান অমসুং য়ানদবগী মতম লোইশিন্দুনা তংদু লৈতাবা অমদি নুংঙাই য়াইফবা ফীভম অমা পুরক্নবগীদমক য়ু এসকা উনবদা হৈনিংবা লৈ হায়নসু ফোঙদোরকখি।

নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী কে সী এম এনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা, কিম জোং উননা য়ু এসকা উনগদবা অদু চপ চানা লেপ্লে। হান্ননা লেপখিবা মফম অমসুং মতম অদুমক্তদা উননবা শেম-শারে হায়রি। কিম অমসুং মুন জে ইন মমাঙ চয়োলদা পান মুন জোমদা উনখিবা অদুদা য়ু এসকা ৱারী শানবগী মতাংদা য়ানবা ৱাফম অমা পুরক্লবা খন্নখি হায়রি।

# উগানদাগী বস এক্সিদেন্টতা অঙাং ৩ য়াওনা মীওই ২২ শিখ্রে

কিরয়ান্দোনগো, মে ২৮ (এজেন্সী)ঃ

অফ্রিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা উগানগাগী সিটি কিরয়ান্দোগোদা বসনা থোমজিনবদা অঙাং য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ২২ শিখ্রে হায়না মফম অদুগী পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

উগানদাগী কোনুং কাম্পালাদগী অৱাং লোমদা কিলোমিটর ২২০ চৎলগা লৈবা মফম কিরয়ান্দোগোদা ইরাই নুমিৎকী অহিং অথেঙবদা থোকখিবনি। বস অদুনা নুমিদাং অদুদা লাইট য়াওদনা থৌরম্বা ত্রেক্টর অমা থোল্লবা মতুং ত্রক অমসুং থোমখিবনি হায়না মফম অদুগী পুলিসকী নুপী ৱঙাংলোয় ইমিলিয়ান কায়িমানা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা এক্সিদেন্ট থোকফম অদুদা ইভাক্যুসন টিম্না অশোকপশিং অদুবু লৌথোক্লবা কন্না হোৎনরি। মফম অদুগী লোকেল মেদিয়া রিপোর্টতদি লৈখিদ্রবা মীশিং অদু ৩০ হেল্লি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

নিংশিংবা য়াই মালেমগী ওইনা রোড সেপ্তি রেকোর্ড য়াম্না ফজদবা লৈবাকশিংগী মনুংদা উগানদাসু ওইরিবনি। কুমজা ২০১৫দগীনা কুমজা ২০১৭ ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৯,৫০০ হেনবা লম্বিগী এক্সিদেন্টতা শিখিবগী রেকোর্ড লৈরি হায়না ওফিসিএল ওইবা রেকোর্ড অমনা হায়রি।

উগান্দাদা লম্বীগী খুদোংথিবা থোকপা হায়বদু অনৌবা অমা নৎত্রে। চহী খুদিংগী অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদুদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙলি।

# কার্লো কোট্টারেল্লিনা ইটালিগী অনৌবা পি এম ওইরগনি

রোম, মে ২৮ (এজেন্সী)ঃ

পোপুলিষ্ট পার্টিনা লৈবাক অদুদা অকনবা ঈরাং হৌরিঙৈ চৈরক্তা ইন্টর্নেসনল মোনিটরি ফন্দগী হান্নগী ওফিসল কার্লো কোট্টারেল্লিবু প্রসিদেন্ট সের্গিও মট্টারেলানা ঙসি অয়ুক কৌদুনা ইটালিগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা ৱাফম পুখৎখ্রে হায়রি।

ইটালিদা হৌজিক তংদু লৈতাদবা পোলিটিকেল্লগী ফীভম অমা লৈরিবা অদু লোইশিন্নবগী থৌশিল অমা ওইনা প্রসিদেন্টনা কার্লোবু কৌদুনা ৱা খন্নখিবনি হায়রি। মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অদুগী মীখল মাঙওইননা লৈবাক অদুদা মীচঙমীখায় নাইদ্দবা লৈঙাক অমা শেম্ননবা পুখৎলকখিবা ৱাফম অদু কার্লোনা য়াখ্রে হায়না পাউজী লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

কার্লো কোট্টারেল্লিনা ইটালিগী ইন্টরিন গভর্ণমেন্ট অদুবু লুচিংলগনি।



প্রসিদেন্ট মটারেলাগা পুং ১ রোম ৱারী শানরুরবা মতুং কার্লো কোট্টারেল্লিনা হায়, মহাকপু পার্লিয়ামেন্টনা শৌগৎপীরবদি পার্লিয়ামেন্টতা লৈবা ঙমগনি। লোয়ননা কুমজা ২০১৯ গী বজেটসু অয়াবা পীবা ঙমগনি। পাউ অসিগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অদুগী মাঙওইননা মরক্কী লৈঙাক অদু দিজোল্ব তৌগনি। লোয়ননা অকি-অখঙ য়াওদবা মীখল অমা ওইহনগনি হায়রি।

মীখল অদুগী মতুংদা কনফিদেন্স মোসন পুখৎপা ঙমদ্রবদি লৈঙাক অদু খুদক্তা রিজাইন তৌগদবনি। লোয়ননা ওগষ্ট থা মতুংদা মীখল অমা পাঙথো-ক্লিবা ফাওবা অতোপ্পা থৌশিল অমা পায়খৎতুনা লৈবাক্কী থৌ পুগদবনি হায়রি।

কার্লো কোট্টারেল্লি ইন্টরনেসনল মোনিটরি ফন্দগী ওফিসল ওইনা কুমজা ২০০৮ তগী কুমজা ২০১৩ ফাওবা থৌ পুরমখি। মতম অদুদা মহাক্না পায়খৎখিবা থৌশিলগী মখাদা ইটালিগী মীয়াম্না শেল হেন্না চাদিং তৌবা লাকশিনবা ঙমখি হায়রি।

চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ৪ দা পাঙথোকখিবা মীখলগী রিজল্টনা লৈঙাক শেম্বা য়াদবা ফীভম অমদা লৈখিবদগী লৈঙাক লৈতবা লৈবাক অমা ওইদুনা লাকখিবনি হায়রি।

# য়ু এসকী লানগী জহাজ চঙশিল্লকপদা য়ানিংদবা উৎখ্রে

বৈজিং, মে ২৮ (এজেন্সী)ঃ

সাউথ চাইনা সীদা য়ু এসকী লানগী জহাজ অনী থাজিল্লকখিবা অদু ৱাথোক ওইহন্নবা হোৎনবনি হায়না চাইনাগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অদুনা মখা তানা ফোঙদোর-কখিবদা, সাউথ চাইনা সীদা য়ু এসকী লানগী জহাজ চঙশিল্লকপা হায়বদু চাইনাগী মনিং মখা তম্বদা খুৎ থিংজিল্লকপা থৌশিল অমনি। মালেমগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না টেরিটোরিএল ৱাটরগী শরুক্তা অয়াবা য়াওদনা চঙশিল্লকপা হায়বদু কাঙলোন চুমদবা অমনি হায়রি।


## EASTERN SUZUKI

Thangmeiband DM College Road Imphal

Eastern Suzuki, an authorised dealer of Suzuki Motorcycle India Pvt. Ltd. requires candidates for the below posts.

| SL.NO | VACANCY | NOS. | EXPERIENCE |
|---|---|---|---|
| 1 | WORKSHOP MANAGER | 1 (MALE) | GRADUATE PASSED MIN 2 YRS. EXP.IN ANY FIELD |
| 2 | TELECALLER | 1 (FEMALE) | GRADUATE PASSED |
| 3 | SALES EXECUTIVE (FIELD) | 5 (MALE) | 12 PASSED |
| 4 | WASHING BOY | 2 (MALE) | NO QUALIFICATION REQUIRED |

N.B.:-Interested candidates can come for spot interview on 30/05/2018 and 31/05/2018 along with relevant documents and Resume with 1 recent passport size photo.

Time: 10 am to 4pm

HL-P/3338/29








## MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES

Kwakeithel Mayaikoibi, Imphal -01

ADMISSION OPEN for CLASS – XI Sc.

LAST DATE OF FORM SUBMISSION: 28TH MAY, 2018 upto 3:00 P.M.

ENTRANCE TEST: 29TH MAY, 2018 (TUESDAY)

TIMING : 7:00 A.M.

COUNSELLING OF SELECTED CANDIDATES ON 29TH MAY,2018 AT 12:00 NOON

*COUNSELLING OF DIRECT SELECTED CANDIDATE SECURING 80% & ABOVE INCLUDING POSITION HOLDERS WILL BE AT 1:00 P.M.

SELECTED CANDIDATES MUST BE ACCOMPANIED BY RESPECTIVE PARENTS ALONG WITH ORIGINAL ADMIT CARD OF HSLCE 2018/EQUIVALENT

SPECIAL FACILITIES FOR MERITORIOUS STUDENTS OF HSLC EXAM 2018 IN MIS FOR CLASS XI SC. 2018-19 SESSION

LIST OF POSITION HOLDERS OF HSLCE 2018 ADMITTED IN THE INSTITUTE

1. SURJAKANTA IRENGBAM
   2ND POSITION HSLCE 2018 (ROLL-37070)
2. HUIDROM ROHIT KUMAR
   4TH POSITION HSLCE 2018 (ROLL-30884)
3. NAOREM FEIROIJAMBA MEITEI
   6TH POSITION HSLCE 2018 (ROLL-44124)
4. PHUNDREIMAYUM ASHIMA
   10TH POSITION HSLCE 2018 (ROLL-44217)
5. TAKHELLAMBAM KRITIBALA
   14TH POSITION HSLCE 2018 (ROLL-45965)
6. SOIBAM JIDDY DEVI
   16TH POSITION HSLCE 2018 (ROLL-45959)
7. SHELINA LEIMAPOKPAM
   22ND POSITION HSLCE 2018 (ROLL-43486)
8. JELINA THOKCHOM
   23RD POSITION HSLCE 2018 (ROLL-45900)

75% & ABOVE

- ELIGIBLE FOR DIRECT ADMISSION

90% UPTO ONE MARK BELOW 25th POSITION OF HSLCE 2018

- FREE ADMISSION FEE
- FREE MONTHLY TUITION FEE
- FREE SCHOOL UNIFORM (1 SET)
- FREE NOTEBOOK GRANT
- MONTHLY SCHOLARSHIP OF Rs.3000/- PER MONTH
- TEXT BOOK GRANT
- FREE PRIVATE TUITION IN MACCS
- FREE CJP+ for NEET/AIIMS or CJP+ for JEE (Main & Advanced) Course which includes All India Aakash Test Series (AIATS)
- FREE TRANSPORT SERVICE

# LIMITED SEAT

FOR DETAILS: Contact Principal, MIS

Technical Collaboration with

AAKASH INSTITUTE/AAKASH IIT JEE, NEW DELHI

For CJP+ for NEET/AIIMS & CJP+ for JEE (Main & Advanced) which also include All India Aakash Test Series (AIATS)

HL-P/5093/29